# দুরান্দ কপঃ নেরোকা ফুটবোল ক্লব রিয়ল কাশ্মিরগী মখুৎতা মায়থীহৌরে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস):** মালেমগী ওইনা অহুমশুবা অদুগা এসিয়াগীনা খ্বাইদগী লিরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা দুরান্দ কপ কী ১৩৪ শুবা এদিসনগী ওইনা ঙসি গ্রুপ এফকী শান্নখিবা মেটচ অমদা রিয়ল কাশ্মিরনা নেরোকা এফ সীবু মায়থীবা পীখ্রে।

খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা ফুটবোলবু খোয়দাজবা মীওই লিশিং ২২ হেন্না মীৎয়েং তাদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙম্নবা মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উখোক্তুনা শান্নখি। অদুবু রিয়ল কাশ্মিরগী হৈশিংলবা দিফেন্দরশিংনা নেরোকা এফ সীনা চখিখিবা এটেকশিং থিংদুনা অরেম্বদা তাহনখি।



অমরোমদা, মেটচ অদুগী ৩২ শুবা মিনটতা রিয়ল কাশ্মির এফ সীদা শান্নরিবা মণিপুরী মচা সলাম রঞ্জননা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা রিয়ল কাশ্মিরনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা লোকেল ক্লব ওইরিবা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা হান্নদগী হেন্না য়াম্না কন্না শান্নরকখি মেটচ অদুগী ৬৭ শুবা মিনটতা নেরোকা এফ সীদা য়াওরিবা ব্রাজিলগী শান্নরোয় লুকাস দার সিলভানা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা ১-১দা মান্ননা লৈবা ঙমখি।

মখা তানা টিম অনীগী মরক্তা মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী ৭০ শুবা মিনটতা রিয়ল কাশ্মির এফ সীগী টারেকনা মখোয়গী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরবা নেরোকা এফ সীগী শান্নরোয়শিংদ অকনবা প্রেসর লৈহনখি। মেটচ অদুগী ৮২ শুবা মিনটতা রিয়ল কাশ্মির এফ সীগী এম এস্বেমুনা মখা তানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুবু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জলশিং চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু রিয়ল কাশ্মির এফ সীনা মায় পাক্তুনা গ্রুপ এফকী পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মকোক থোংনা লৈবা ঙমখ্রে। অদুগা লোকেল ক্লব ওইরিবা মণিপুরগী টিম অনীমক ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিদ্রে।

গ্রুপ এফকী ওইনা নেরোকা এফ সীনা পোইন্ট ২ অদুগা ত্রাও এফ সীনা পোইন্ট ১ ফংদুনা পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা মফমদা লৈখ্রে।

# কে এফ সী ত্রোফিঃ ভিক্টোরিয়া প্লাই এফ সীনা ক্যামগৈ এফ সী থোইরগা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী):** লৈখিদ্রবা টি ঐচ অঙাংমচা মীতৈ অমদি লৈখিদ্রবী টি ঐচ তোম্বী ত্রষ্ট ক্যামগৈনা শীন্দুনা ক্যামগৈ হৈবোং মখোঙদা চথরকখিবা অহানবা কে এফ সী ত্রোফি ২০২৫গী মপু ভিক্টোরিয়া প্লাই এফ সী হৈরোকনা ওইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৮না কাঙলুপ মরি থোক্লা খাইদোক্লগা চহী অসিগী জুন ২৩দগী হৌরগা চথরকখিবা লৈখিদ্রবা টি ঐচ অঙাংমচা অমদি লৈখিদ্রবী টি ঐচ তোম্বী মেমোরিএল অহানবা ৯-এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ কে এফ সী ত্রোফি ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ভিক্টোরিয়া প্লাই এফ সী হৈরোক্না ক্যামগৈ এফ সীবু পেনালটি শুট আউটতা পাঞ্জল ৭-৫দা থোইরগা টাইটল লৌখিবনি।



ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা নাকল অনীমক্না পাঞ্জল ৩-৩ চন্নদুনা মান্ননা লৈখি। মদুগী মতুং টুর্নামেন্ট কন্দক্ট রুলগী মতুংইন্না কিকস ফ্রোম পেনালটি মার্কনা টিম অনীগী মরাইবক লেপ্নখিবদা ভিক্টোরিয়া প্লাই এফ সীনা ক্যামগৈ এফ সীদগী পাঞ্জল ২ হেল্লগা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

ফুটবোল টুর্নামেন্ট লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিলেটিব এসেমব্লিগী স্পীকর টি ঐচ সত্যবর্ত্তনা হায়, কৈরাও এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা ক্যামগৈ হৈবোং মখোঙ গ্রাউন্দ অসিবু ঙাক শেন্দুনা থম্বা ঙম্লিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। মতমগা চুনবা মওংদা গ্রাউন্দ অসি শেমগৎতুনা অফবা শান্নরোয় কয়া তুংদা পুথোকপা ঙম্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

থৌরম অদুদা কৈরাও এ সীগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বর, হৈরোক এ সীগী এম এল এ, ডা. টি ঐচ রাধেশ্যাম অমদি ক্যামগৈ যুথ পাইওনিয়র ক্লবকী প্রসিদেন্ট নেপ্রম কিশনসু মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াদুনা লৈখিদ্রবা অনীগী ফোটোদা হৈ-লৈ কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ক্যামগৈ এফ সীগী জোন্সন, কিরঞ্জিৎনা মথংশিংনা বেষ্ট প্লেয়র বেষ্ট গোল কিপর অমদি টোপ স্কোররগী টাইটল লৌবা ঙমখি। অদুগা ভিক্টোরিয়া প্লাই এফ সীগী রোসননা বেষ্ট দিফেন্দর লোয়ননা টিম অদুগী শান্নরোয় সুধিরনা মেন ওফ দি ফাইনেল মেটচকী টাইটল লৌখি। মুকান এফ সী সোরানা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমগী এৱার্দ ফংখি। টিম ৱিন্নর ওইখিবা ভিক্টোরিয়া প্লাই এফ সীদা কেস এৱার্দ ওইনা লুপা লাখ ২ অমদি ত্রোফি অদুগা রন্নর্স অপ তাখ্রবা ক্যামগৈ এফ সীদনা কেস এৱার্দ ওইনা লুপা লাখ ১ অমদি ত্রোফি পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

# নেশনল চেম্পিয়ন্সিপতা ৱিন্নর ওইরকখ্রবা শান্নরোয়শিং পুক্নিং থৌগৎখ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):** অন্ধ্র প্রদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ১৫ রক শুবা হোক্কি ইন্দিয়া জুনিয়র গার্লস নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫গী দিভিজন বিদা ৱিন্নর ওইরকখ্রবা মণিপুর হোক্কিগী শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিং ঙসি হরাও তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে।

মণিপুর হোক্কিনা শীন্দুনা শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবা শান্তগী ময়ুমদা পাঙথোকখিবা মণিপুর জুনিয়র গার্লস টিম ওকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর হোক্কিগী থৌ পুবশিংনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি। দিভিজন বিদা ৱিন্নর ওইদুনা দিভিজন এদা চঙবা ঙমখ্রবা মণিপুর হোক্কিগী শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিংদা মণিপুর হোক্কিগী মায়কৈদগী সার্টিফিকেটশিং খুৎশীন্নদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মণিপুর হোক্কি টিমনা পুল এগী লিগ মেটচ মরি শান্নখিবদা মরিমক মায় পাক্তুনা পুল ৱিন্নর ওইবা ঙমদুনা দিভিজন এদা চঙবা ঙমখিবনি। মণিপুর হোক্কিগী টিম অদু ফুরাইলাৎপম নির্মলতানা টিম কোচ ওইনা অদুগা মোইরাংথেম প্রেমেশ্বরনা টিম মেনেজর ওইনা লুচিংখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মণিপুরগী হোক্কি শান্নরোয়শিংনা উৎখিবা হৈশিংবশিং শীংথাখি।

# মণিপুর কুরাজ টিম শেম্নবগীদমক ত্রাইএল সিলেক্সন পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):** দি ইন্দিয়ান কুরাজ এসোসিএশন (টি আই কে এ)না শীন্দুনা মথং থাগী ১০দগী হৌরগা ১৩ ফাওবা শটিশগড়গী রাইপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা সব জুনিয়র নেশনল কুরাজ চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫-২৬তা শরুক য়ানবা মণিপুর টিম শেম্নবগী ত্রাইএল সিলেক্সন অমা থা অসিগী ১৪দা তেরা লুক্রাম লৈরক্তা লৈবা ইমা ৱাংথোনবী স্পোর্টস সেন্টরদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা কুরাজ এসোসিএশন ওফ মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ত্রাইএল সিলেক্সন অসি থা অসিগী ১৪গী অয়ুক পুং ৭ তাবদগী হৌরগা নুংথিল পুং ৫ তাবা ফাওবদা পাঙথোক্কনি। হায়রিবা ত্রাইএল সিলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা মোবাইল নম্বর ৯৬১২১৫২৫৯৪ নত্রগা ৮৭৮৭৪৩৮৫০৭দা পাউ ফাওরকপা য়াগনি।

ত্রাইএল সিলেক্সন অসিগী ওইনা কেজি ১ কোমথোক্কনি। ত্রাইএল সিলেক্সন য়াওবা লাকপা মতমদা শান্নরোয়শিংনা পাসপোর্ট সাইজ ফোটো ২, বার্থ সার্টিফিকেট ওরিজিনেল অধার কার্দ লোয়নরক্কদবনি। ত্রাইএল সিলেক্সন অসি নুপামচা অমসুং নুপীমচা অনীমক্কী ওইগনি অমদি তোঙান তোঙানবা কেটাগরি অহুমদা পাঙথোক্কনি অমদি হায়রিবা কেটাগরিশিং অসিগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা অরুম্বা কাঙলুপশিং লৈগনি হায়না চেরোলসিনা মখা তারি।

# নম্বোল কাংখুৎনা গোপালদেব (য়াইস্কুল) কাংখুৎ মায়থীবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):** শিংজমৈ কাংখুৎ চীংঙামথক্লা শীন্দুনা চথরিবা অহানবা মাইবম ইথোই মেমোরিএল নুপী খুৎ কাং টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা নম্বোল কাংখুৎনা গোপালদেব (য়াইস্কুল) কাংখুৎ থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলগী লাইন অপ তৌবা লোইখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা অমদি অরোয়বা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা নম্বোল কাংখুৎনা গোপালদেব (য়াইস্কুল) কাংখুৎপু লাকচনা পাঞ্জল ১৪-৯দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙম্বা মরিশুবা টিম ওইখিবনি।

মমাঙ থাগী ২০গী তোঙানবা টিম ১২না কাঙলুপ মরি থোক্লা খায়দোক্তুনা শিংজমৈ কাংশঙদা চথরিবা কাং টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচকী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা নম্বোল কাংখুৎনা গোপালদেব (য়াইস্কুল) কাংখুৎতগী পাঞ্জল অনী হেল্লগা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা নম্বোল কাংখুৎনা মখা তানা পাঞ্জল ৫ হেল্লগা পাঞ্জল ১৪-৯দা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। থা অসিগী ১৩গী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবদা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ শান্নগনি।

# কিক বোক্সিং এমেচরদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):** চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১৩ অমসুং ১৪দা কেরলানা য়ুম্বু ওইরগা কোচিগী কিঝাকেকোটাদা পাঙথোক্কদৌরিবা কোচিন ফাইট নাইট ইভেন্টতা কিক বোক্সিং এমেচরদা শরুক য়ারুনবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে হায়না নোংশামৈ মিক্স মার্সিএল আর্টস এন্দ ফিটনেস সেন্টরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর টিম রিপ্রজেন্ট তৌনবগীদমক খনখ্রবা এম এম এ এন্দ ফিটনেস সেন্টরগী শান্নরোয়শিং অদুদি জুনিয়র বোইজগী কেজি ৪৫ মখাগীদা নিংথৌজম সিনিবাস, কেজি ৫০ মখাগীদা হৈস্নাম নেলিন, কেজি ৫৫ মখাগীদা থাংজম লনচেনবা, কেজি ৬০ মখাগীদা য়ুম্নাম চীংলেম্বা মৈতৈনি। চহী ১৮ মথক্কী কেজি ৭৫ মখাগীদনা চোংথাম অশ্বিনিকুমারনি। সব জুনিয়র গার্লসকী কেজি ২৫ মখাগীনা লাইশ্রম টিলোতমা, জুনিয়র গার্লসকী কেজি ৬০ মখাগীদনা এল মার্টিনানি হায়রি।

# শান্নরোয়শিংদা সার্টিফিকেট পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে


**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):** মণিপুর যোগ সোসাইটিনা শীন্দুনা চথরকখিবা অনীরকশুবা মণিপুর যোগাসনা চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী সার্টিফিকেটশিং পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে।



হোটেল ভৈগো মনাক্তা লৈবা ফ্লাশ মান্দপ কঙাবম লৈকায় মচিন্দা ঙসি পাঙথোকখিবা সার্টিফিকেট য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী সাইন আর্টিষ্ট এন্দ টেক্নিসিয়ন এসোসিএশন (সী এ টিএ)গী ভাইস প্রসিদেন্ট গুরুময়ুম রঞ্জিৎনা অথোয়বা মীথুংলেন অদুগা ওল ইন্দিয়া যোগ কলচরেল ফেদরেশনগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মণিপুর যোগ সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট ডা. বসুদেবনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুনা ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী ত্রেজরর ডা. এল সিবানন্দনা মীয়াম্না তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীখিবগা লোয়ননা শান্নরোয়শিংবু পুক্নিং থৌগৎখি।




## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1560**

**Jose Pascual - Rodolfo Ledesma**
**PHI-ch+ Manila (4), 1967**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.c4 g6 | 2.d4 Bg7 | 3.e4 e6 | 4.Nc3 Ne7 | 5.d5 O-O |
| 6.Bd3 f5 | 7.exf5 Nxf5 | 8.Nf3 c5 | 9.Bxf5 exf5 | 10.O-O d6 |
| 11.Nb5 a6 | 12.Nc3 Nd7 | 13.Ng5 Ne5 | 14.Ne6 Bxe6 | 15.dxe6 Qe7 |
| 16.Nd5 Qxe6 | 17.Nc7 Qxc4 | 18.Nxa8 Rxa8 | 19.Qxd6 Ng4 | 20.Bf4 Bxb2 |
| 21.Rab1 Bd4 | 22.Rxb7 Re8 | 23.Rb8 Qf7 | 24.h3 Nf6 | 25.Rxe8+ Qxe8 |
| 26.Qxa6 Ne4 | 27.Qc4+ Kg7 | 28.Be3 Bxe3 | 29.fxe3 Qe5 | 30.Rb1 Qg3 |
| 31.Qe2 Nc3 | 32.Rb7+ Kh6 | 33.Qf3 Qe1+ | 34.Kh2 Ne2 | 35.Rb1 Qxb1 |
| 36.Qxe2 Qe4 | 37.Qd2 c4 | 38.Qc3 Qd3 | 39.Qf6 Kh5 | 40.Qe7 h6 |
| 41. ... | | | | |

**QUESTION :** White to win

**Puzzle 1559 Solution :**

**52. Rd7+** *The white rook deflects Black's bishop away from protecting the square f7 and the pawn.* **Bxd7**
*52...Bf7 53.Qxf7+*
*52...Kg8 53.Qg7#*
**53. Qf7+** *The white queen attacks Black's king, which is defending Black's pawn.* **Kh8 54.Nxg6#**
**1-0**







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com